On Friday, The 27th August 202
Venue : AMSU Conference Hall, Jir
The All Manipur Students' Union (A
District Committee, Jiribam
LONG LIV

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫৬শুবা হঙ্গর মার্চস দেগী থৌরমদা লৈখিদ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন অমসুং অমুকোগা পুল্লগা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মখল কয়াগী অৱাবা মায়োক্লরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইমুং ৩৬৪দা চেঙ তেংবাঙখিবা

বি এস এফকী ১৮২শুবা বট্টালিয়নগী ওফিসিএটিং কম্মান্দেন্ট অৱাদেশ কুমারগী মীৎয়েং মখাদা কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বট্টালিয়ন অসিগী ওফিসরশিং অমদি ক্রুপশিংনা শরুক য়াদুনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন পাঙথোকখিবা

সোরা মখা লৈকায়দগী এম দি অমির খান মীশিদা চেন্নবনি হায়দুনা ফারবা মীওই অনী সী জে এম থৌবালগী কোর্টতা পুথোরকপদা মীয়াম্না মরাল লৈবা মীওইশিং লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীয়ু হায়দুনা থোমজিল্লকখিবা

ঐচ এস ঈগী অনীশুবা ফেজগী ফল লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন (ঐচ এস ঈ) ২০২১গী অনীশুবা ফেজগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। অনীশুবা ফেজগী ওইনা সাইন্স, আর্টস অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমগী ওইনা মহৈরোয় ৯২গী ফল লাউথোকপদা চাদা ১০০ মায় পাকপা ঙমখ্রে হায়রি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): লাইন মেন্টেনেন্স অমদি জঙ্গল ক্লিয়ারেন্স তৌগদবনা মরম ওইরগা ৩৩ কে ভি য়ুরেম্বম নোনে লাইনগী হায় ভোল্টেজ ট্রান্সমিসন লাইন অসি ওগষ্ট ২৮ অমসুং ২৯গী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা সটদাউন তৌরিঙৈ মতম অসিদা ৩৩/১১ কে ভি এস/এস নোনে অমসুং সব-ষ্টেসন অসিগা শম্নরিবা ১১ কে ভি ফিদরশিংদা মৈ পীবা ঙম্লোই। মরম অসিনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়নসু এম এস পি দি সী এলগী ট্রান্সমিসন সব-দিভিজন নম্বর ৭কী মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হঙ্গর মার্চস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী ওফিসতা ৫৬ শুবা হঙ্গর মার্চস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা অমদি মিনিট অনী তুমীন্না লৈদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়ু পোরেশ মীতৈনা হায়খিবদা, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা চাক্লাম খোঙচৎ অসি হন্দক চহীগী ওইনদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়াম্না চাউনা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে। অদুবু অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা হৈ-লৈ কৎতুনা চন্না পাঙথোকচবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কেবিগী ইলেক্সন কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা এম এল এ লৈতবনা মরম ওইরগা এ সী অসিদা হেন্না ফবা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপা ঙম্ননবা হৌখিবা ওগষ্ট ২২দা হৈরাঙ্গৈইথোংদগী রিটায়র্দ এস দি ও চোংথাম বুধিচন্দ্রনা ময়াই তাংবল লৌদুনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লী মীখলদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবী সোরাইশম ওংবী সগোলশেম কেবিগী ইলেক্সন কম্মিটি অমা শেমখ্রে। ইলেক্সন কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্টনা সরাংথেম চাওবা অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম লৈকায়দগী লাইশ্রম গুনিন্দ্রোবু হাপখ্রে। অদুগা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুনবা মীওই ১০, সেক্রেটরি ওইনা মীওই ৮, য়ুথ ৱিংগী থৌ পুগদবশিং অমদি এদভাইজর ১৫সু হাপখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন চোংথাম বুধিচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ যোগনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা নুমীৎ নীনি চুপ্পা যোগিক সাইন্স ২০২১ হায়বা হীরমদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে। ৱেবিনার অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস সেলগী কোওর্দিনেটরসু ওইরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ যোগগী হেদ ডা. মাইবম নোদিয়াচান্দনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ওইদুনা পাঙথোকখিবনি। সেমিনার অসিদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা যোগিক সাইন্সকী মরমদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

পুৱারীবু লান্না ৱাহন্থোক পীগদবা থৌওংশিং চথবীগনু : হেরিকোন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): পুৱারীবু লান্না ৱাহন্থোক পীগদবা থৌওংশিং চথবীগনু হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হেরিকোনগী পল্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি যুম্লেম্বম য়াইফবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মমাংঙৈগী মীরোলনা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা অশোয়বা অরানবা খোঙথাং কয়া থাংলম্বা, থবক কয়া পাঙথোক্লম্বা অসিগা ঈরোয়ননা অইবশিংনসু পুৱারীগী ৱারী কয়া ইরিবা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি থম্মোয় ইহুলনা হেন্না মাঙওইরগা অচুম্বা থৌদোক্কী ৱারীবু নাথৈরগা ইরম্বদগী ঙসিগী মীরোল অমদি তুংগী মীরোলদা চয়েৎনরকপা কয়া অমা থোকহল্লি। অদুবু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়নসু ঙসি ঙসিমক ঐখোয়গী মতমদা থোক্লিবা থৌদোকশিংবু ইশিন্দুনা রেকোর্দ তৌদুনা থম্নবগী থৌশিলদি মপুং ফানা উদ্রি। মসিগী খুদম চাংদম মশীং থিঙমদনা লৈরিবসি ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙমিন্নরি। খুদম ওইনা খরদং খনগৎচরবদা ঐখোয়গী পুৱারী অমদি শক্তমগা শাগোন্নরক্লবা মফম কয়াবু অনৌবা মীতোপকী মীরোলদা মমিং ওন্থোরক্লি। খুরাই অহোংপুঙবু তেলিপতি, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মফম কয়ানা রূপমহল টেঙ্ক, কালিবারি, জেন মন্দির গলি, আলু গলিনচিংবা মিংথোল কয়া পীখ্রে অমদি পীখৎলকপা লেপত্রি। লোয়ননা ঐখোয়গী মীরোলনসু হরাও-হরাও অয়াবা পীরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লমদমসিগী খুঙ্গং অমদি খুল কয়াগী মমিংসু শান্তিপুর, প্রেম নগর, বোরোবেক্রা, কালিনগরনচিংবা থোন্নরি। ঐখোয়গী শেংলবা ইপা-ইপুশিংগী লাইনিং-লাইরেম্বীশিংগী লাইফমশিংসু মহাদেব, হনুমান, রাম, কৃষ্ণনচিংবগী লাইফম ওন্থোক্লি। ইম্ফালগী মফম কয়াদা, লৈকায় কয়াদা কোলোনি, এভেন্যু, ভেংনচিংবা কয়া ইনৌ নৌনা মিংথোন্দুনা লৈখৎলক্লি। মসিদা মফম মফমশিংদুদা হান্না লৈরম্বা মীওইশিংনসু অয়াবা পীরি অমদি মসিনা চাউখৎপা লমদম অমগুম খন্নরি। অমরোমদনা পুৱারীগী য়াম্না মরুওইবা নুমীৎশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা নুমীৎ মান্নদবা, মফম মান্নদবা, ফিরাল মান্নদবা কয়া অমসু থোক্লি। ঙসিসু লৈখায় তাদনা লৈবগুম মীয়াম্না উরি। খোংজোম লানগী নীংশিং থৌরমগী নুমীৎ অমদি মফমদা চাউনা য়েৎনরি। মসিগী ৱারোইশিন অমা অখণ্ড-অহৈশিংনা ৱাখৈবীবা ফরে। লংথবাল কোনুংদা সিফাই লৈশিল্লিবসি লৌথোক্লগা আর্কিওলোজিকেল সাইট ওইনা ফজনা শেমগৎপীবা ফরে। মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী খুভম শেম্নবা মমিং-মথা ইবদা চিংথবা, য়াওরমদ্রে হায়না হায়রক্লিবশিংসু চুমথোকপীরো। মমিং থাবা য়াবশিং শুহনবীরো। হৌজিক হৌজিক মোইরাংদা লৈবা আই এন এগী কমপ্লেক্স নীংথিনা শেমগৎলি হায়বসিসু অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু পুৱারীবু লান্না ৱাহন্থোক পীগদবা থৌওংসিদি চথবীগনু।

মোইরাংদা লৈরিবা আই এন এ কমপ্লেক্সতা হক্তুনা ইরিবা ৱাহৈ খরনদি ঐখোয়গী পুৱারীবু লান্না লমজিংলি। মফম অদুদা হক্তুনা থারিবা ৱাহৈশিং অদুদি 'দি ইন্দিয়ন ত্রাই-কল্লর ফ্লেগ ৱাস হোষ্টেট হিয়র ফোর দি ফষ্ট টাইম ওন দি সেক্রেদ সোইল ওফ ইন্দিয়া বাই দি ইন্দিয়ন নেসনল আর্মি ওন দি ১৪ এপ্রিল ১৯৪৪'। পঞ্জানিংলিবা ৱাফমদি ১৯৪৪দদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখিবসি ১৯৪৯দনি হায়না অখণ্ড-অহৈ কয়ানা তাকপীরি। হিষ্টোরিকেল রেকোর্দ কয়াসু মরাং কায়না লৈরি। মদু ওইরবদি আই এন এনা মোইরাংদা ফ্লেগ য়ুংবসি সেক্রেদ সোইল ওফ ইন্দিয়াদনি হায়বসি চুন্নিবরা। বৃটিশকী মখাদা মণিপুরনা লৈরম্বসু বৃটিশ ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরম্বা নত্তে হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা তাকপীরি। মদু ওইরবদি আই এন এ কমপ্লেক্স মোইরাংদা ঙসি ঙসিমক হক্তুনা ইরিবা ৱাহৈশিং অসি পুৱারীবু লান্না লমজিংগদবা ৱাহন্থোক পীবা থৌওং ওইরোইদ্রা। মরম অসিনা আই এন এ কমপ্লেক্স নীংথিনা শেমগৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লৌখৎপীরক্লিবা থৌরাং অসিদা অসিগুম্না পুৱারীবু লান্না ৱাহন্থোক পীবা য়াবা ৱাহৈশিং শেমদোকপীননবা হেরিকোননা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মোইরাং, কংলা অমদি মোইরাংগী মরুওইবা মফম কয়াবুসু অর্কিওলোজিকেল অমদি হিষ্টোরিকেল সাইট ওইনা শেমগৎপীননবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আয়ুশকী হিদাকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): পরিং নাইনা ৱাই ও এফ এফ এস অমসুং অমুকো অনীনা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা ঐখোয়গী হকচাং ফনা থম্বদা মতেং ওইগদবা দিপার্টমেন্ট ওফ আয়ুশনা পীবা হিদাকশিং লমদমসিগী মীয়ামদা ফংহন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙথাংগী মনুং চন্না ঙসিসু মীওই ২৪০০না শীজিন্নগদবা অর্সিনিক এলবম-৩০, আয়ুশ-৬৩ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়েন্থোকখ্রে হায়না ৱাই ও এফ এফ এসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খোঙচৎ অসিদা ৱাই ও এফ এফ এসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রমানন্দ, টি ঐচ সুরেশ ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ৱাই ও এফ এফ এস, কে ঐচ অওপা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ৱাই ও এফ এফ এস অমসুং লাইশ্রম রোমাবতি প্রসিদেন্ট খানোংপোক অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকা লোয়ননা চৎখি। ঙসিগী হিদাকশিং য়েন্থোকখিবা মফমশিংদি, ৱিমেন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন, বামোনকম্পু, ৱাংখেম নোংমাই লৈমা মৈরা পায়বী লূপ কৈরাও ৱাংখৈনি। মফমশিং অসিগী মীয়ামদা হিদাকশিং অসি য়ৌহন্নবা লূপশিং অসিগী থৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা য়েন্থোকহৌরি। লমদমসিগী মীয়াম্না লৈঙাক্না পীবা চৎনকাঙলোনশিং ঙাক্না কোভিদ-১৯ অসি মায়থীবা পীমিন্নসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

ভি দি এফ পর্সনেল ১৩দা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদা দিষ্ট্রিক্ট ৱেলফ্যের ফন্দদগী তেংবাঙদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা ভি দি এফ পর্সনেল ১৩দা চান-থক্নবা পোৎলম য়াওনা তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চঙাঙ্গৈ এয়রপোর্ট কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী মরক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা মতমদা লেপ্তুনা মতেং পাংখিগনি। মমাঙদসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোজিটিভ ওইবা ভি দি এফ পর্সনেল ৪৯দা তেংবাঙ অসি পীখিবা লৈখ্রবনি। তেংবাঙগী থবক থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকচবনি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগীসু পোজিটিভ ওইরবা পর্সনেল খূদিংমক্তা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫/৫গী তেংবাঙসু পীরিবনি। মসিগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসরশিংবুসু এসোসিএসন অসিনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ভি দি এফশিংনা পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা তেংবাঙ পীবীয়ু।

দ্রগকা কোন্নবা ১ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): তেংনৌপলদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ঙরাং তেংনৌপলগী উমংদা পেট্রোল্লিং লাকপদা নুপা অমা অসাম রাইফলস উবদা নান্থোক্লবা হোৎনবদগী উমং অদুগী পাইন এপল ফার্ম এরিয়া মনাক্তগী তান্নরগা ফারে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা অসাম রাইফলসনা নুপা অদুনা পুরক্লিবা খাউ অদু চেক তৌবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ব্রাউন সুগর গ্রাম ৪৫০ অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৫০,০০০ য়াওরম্বদগী ফারে হায়রি। নুপা অদুনা পুরক্লিবা দ্রগশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৩.৪ রোম ওইগনি হায়রি। এ আরনা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা নুপা অদু মখা তানা থিগৎনবা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এন পি পিগী ক্ষেত্রিগাও ব্লোক ওফিস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী ক্ষেত্রিগাও ব্লোক ওফিস ঙসি হৌনবী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোপ খোংনাংখোঙ ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দা হাংদোকখ্রে।

এন পি পি ক্ষেত্রিগাও ব্লোক ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা চীফ গেষ্ট, এন পি পি মণিপুর ষ্টেটকী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা প্রসিদেন্ট, এন পি পিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা য়াইস্কুল এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা হুইদ্রোম বিক্রম, এন পি পিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা শীংজমৈ এ সীদগী মীরেপ ওইননা থৌরাং তৌরিবা ওইনাম রোমেন, এন পি পি য়ুথ ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা খুরাই এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইতোঞ্জম জয়ানন্দ, এন পি পি মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) ওইরিবা ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা সৈখ নুরুল হাসন, এন পি পি ক্ষেত্রিগাও ব্লোক্কী প্রসিদেন্ট অব্দুল গফর খান, এন পি পি ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) রুসেল হৈস্নামনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এন পি পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, এন পি পি অসি লমদম অসিদগী হৌদোকখিবা পার্টি অমনি। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ইস্যুশিং থেংননবগীদমক পার্টি অসিনা ঙসি ফাওবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌজিক হৌজিকমকসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা এন পি পিসু য়াওরি। চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী শরুক অমা ওইনা এন পি পিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী ইস্যু লাকপা মতমদা অতোপ্পা পার্টিশিংগী য়াকা য়েংদনা অমদি চিংনবা লৈতনা মশাগী ওইবা ৱারেপ লৌজবা ঙম্বা পার্টিনি। এন পি পিদি অতোপ্পা পার্টিদৌনা দেল্লীদা লৈরিবা হায় কম্মান্দগী ৱাফম ঙাইদুনা লৈবা পার্টি নত্তে। লাক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লী মীখলদা পার্টি অসিগী মশীং য়াম্লবা মীরেপশিং পুথোক্তুনা লৈঙাক শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মীয়াম্নসু পার্টি অসিগী মীরেপশিংবু শৌগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লম্বীশিং শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না ফীভম ফত্তনা লৈরক্লবা লোইরাংথেন অহনবী কোলুপকী লৈরক, খম্নাম লৈরক অমদি খম্নাম লৈরক কম্যুনিটি হোলগী মনিং থংবা লৈরক এ সী অসিগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা নুঙ থাদুনা শেমজিনখ্রে।

হায়রিবা লম্বীশিং অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী ফীভম য়াম্না ফত্তনা লৈরক্লবসু কনামত্তনা শেমজিনবীরক্তবা মতুংদা হন্দক দল্লিয়ু দিনেশচন্দ্রনা শেমজিনবীবা অসিদা মফম অসিগী মীয়াম্না অপেনবা ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা, পাৎশোই এ সীগী মনুং চনবা তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী লাইরেঞ্জম অমুচৌ মৈতৈগী লায়েংবদসু মতেং ওইননবা সোসল ৱার্কর ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা হিদাক-লাংথকশিং তেংবাঙখ্রে হায়রি।

জেদ ঈ ও ওফিস অমদি স্কুলশিং মতম কক্তনা থোঙ থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা স্কুলশিংদা ওজাগী অৱাৎপা লৈরিঙৈ চৈরক্তা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দর স্কুলগী ওজাশিং ট্রান্সফর তৌখিবা অদুগী মহুৎ শীনগদবা ওজা থাবীরকউ নৎত্রগা ট্রান্সফর ওর্দর অদু রিভোক তৌগদবনি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা থমখিবা ৱাফম থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এম এস এফ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমদি কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জিরিবাম অমসুং তমেংলোংগী থৌমীশিংনা জিরিবামগী জেদ ঈ ও ওফিস অমদি লৱার প্রাইমারীদগী হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা লৈবা স্কুলশিং মতম কক্তনা থিংজিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এম এস এফকী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অতোম রজিৎ মৈতৈনা হায়খিবদা, জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং অসিগী ওজা ৱাৎতুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা ওজা খরা অমুক ট্রান্সফর তৌখিবা অদুগী মহুৎ থাবীরকউ নৎত্রগা ট্রান্সফর ওর্দর অদু ককপীননবা মতম পীজখ্রবসু থবক ওইনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা তৌবীরক্তবদগী ঙসিদগী হৌনা জেদ ঈ ও ওফিস অমদি স্কুলশিং থিংবগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি। নুমীৎ নীনিগী মনুংদা জিরিবামগী অৱাৎপা ওজা থাবীরকপা নৎত্রগা ট্রান্সফর ওর্দর অসি কক্তুবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কে এস ও জিরিবাম অমদি তমেংলোংগী জেনরেল সেক্রেটরি মিনঙম হাওকিপনা হায়খিবদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওজা ৱাৎতুনা লৈরিঙৈদা বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিং ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর অদু রিভোক তৌগদবনি হায়বা ৱাফম থমখ্রবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক ওইনা ওন্থোরক্তবদগী এম এস এফকা খুৎশম্নরগা খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়খি।

'জেনিমসতা অহোংবা কয়া পুরক্লে'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২১গী জুলাই ৭তগী প্রোফেসর এল দেবেননা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী দিরেক্টর ওইনা চার্জ পুখিবদগী হৌখিবা থা অহুম মখায়গী মতম অসিদা জেনিমসতা অহোংবা কয়া পুরক্লে হায়না জেনিমসকী টিচর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ কুল্লবিধু অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন কুমারজিৎনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এল দেবেননা রেদ জোনশিং য়াওনা জেনিমস হোস্পিটালগী কোভিদ ব্লোক অহুমদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংগী পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা পেসেন্ট ক্যের সর্ভিসতা ইমপ্রুভমেন্ট পীবা ঙম্লে। মসিগীসু মথক্তা জেনিমসকী ইমপ্লোয়ীশিংগী সর্ভিস কন্দিসন ফগৎহনবগা লোয়ননা জেনিমসকী কেম্পস, দেন্টাল কোলেজ অমসুং জেনিমস হোস্পিটালবু লূ-নান্না থম্বদা ইমপ্রুভমেন্ট পীবা ঙম্লে। জেনিমসকী কেম্পসতা উ-চারাশিং থাবগা লোয়ননা হোস্পিটাল অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক্কী ৱার্কিং এটমোস্ফিয়রসু হান্নদগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লে।

মণিপুরগী সী এস ওশিং অমদি ষ্টেক হোল্ডর খূদিংমক্লসু জেনিমসপু হেন্না চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা তেংবাঙ পীবীয়ু হায়না টিচর্স এসোসিএসন, জেনিমসকী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি। লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা গ্রুপনা পীরকপা অয়েৎ-অপনশিংসু য়াম্না সেরিয়স ওইবা মীৎয়েং থমগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মতমগা চান্নবা মওংদা হোংদোকপা মথৌ তারে : কিমাক্স

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চহী ৩৮ ওইরিবা অসি লৈঙাক অসিনা মতমগা চান্নবা মওংদা হোংদোকপা মথৌ তারে হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কিমাক্সকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি রাজকুমার লেনিনসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক অসিনা লাইরিক-লাইশু হৈরবা মতিক চারবা মীওইশিংবু লৈঙাক্কী থবক পীবা ঙমদ্রবসু থবক্কী ইন্টর্ভিয়ুশিংদা য়াওজনবগী খুদোংচাবা অদু পীফম থোকই। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা হান্না লৈরম্বা থবক চঙবা য়াবগী চহী ৩৮ ওইরম্বা অদুদগী ষ্টেট কয়ামরুমদগী চহী ৪০দগীনা ৪৫ ফাওবদা হোংদোক্লখ্রে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি মণিপুরদদি য়াম্না মাঙজৌননা পায়খৎফম থোক্লবা খোঙথাং অমনি। মরম অসিনা মথৌ তাবা থবক খূদিংমক পায়খৎপীননবা কিমাক্সনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী অহাংবা ফম লিশিং ৮ লোম লৌগনি হায়রিবসি চহী হেল্লবা থবক ফংদ্রিবা নহাশিং থবক্কী ইন্টর্ভিয়ু য়াওজনবগী তাঞ্জা অদু পীবীননবা লৈঙাক্না শীনবীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা চহী ২ রোম অসি কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা থোইদোকপা থবক লৌখিদে। হৌখিবা চহী ৪ অসিসু থবক লৌদনা লাকখিবনি। লমদম অসিগী ওইনা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোলশিংগী পান্দম, মীৎয়েং অসি লৈঙাক্কী সর্ভিস অমা ফংননবা হোৎনবা অসিনা মপুং ওইরি। মশানা য়াম্না ৱানা মতম চঙনা বি এ, এম এ, এম ফিল, পি ঐচ দিনচিংবা দিগ্রীগী থাক্তা মহৈ-মশিন তম্লুরগা লৈঙাক অসিনা মতম চানা থবক কৌদবা অসিনা মরম ওইরগা তমজরুবা মহৈ অদুগী থবক্কী এপ্লায় ফাওবা তৌবা ফংহৌদবা নহারোল কয়া লৈরি। মণিপুরগী খ্বাইদগী অৱাংবা মহৈ-মশিন হৈরবা নহা কয়ানা য়াম্না ৱানা লাইরিক পাদুনা শরুক য়ানবা হোৎনরিবা এম পি এস সীনা লৌবা এগজামশিংদা এপ্লায় তৌবা ফংদ্রি। এম পি এস সীগী এগজামশিং অসিসু চহী খূদিংগী পাঙথোকপা ঙমদ্রি।

লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খরদি চহী ১০ ফাওবা থবক শুকৌ কৌদবা য়াওরি। য়াম্না ৱানা এঞ্জিনিয়রিং কোর্সশিং তম্লুরবসু মতম শাংনা থবক কৌদে। ভেটিরিনরি ডোক্তর তম্লুবা ডোক্তরশিং চহী কয়া ফাওবা এপ্লায় শুকতৌ তৌরমদনা থবক চঙবগী চহী হেনখিবা য়াওরি। অমরোমদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা চহী ২ রোম অসি লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক অয়াম্বা কৌখিদে। মসি পুম্নমক অসি য়েংলগা থবক চঙবগী চহী অসি হোংদোকফম থোকই। ইন্দিয়াগী মরুওইবা ষ্টেটশিং হায়বদি তেলঙ্গনা, গোৱা, রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, য়ু পি, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, হরিয়ানানচিংবদা হান্না থবক চঙবগী চহী ৩৮দগী ওইরম্বা অদু হৌজিক্তি চহী ৪০দগী ৪৫ ফাওবা ওইহনখ্রে। অদুগা রাজস্থান, য়ু পি, হরিয়ানা, ত্রিপুরা, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু ষ্টেটশিং অসিগী লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংগীদমক চহী ৪০দগী হেনগৎখ্রে। হৌজিক নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অমা ওইরিবা মেঘালয়াদসু থবক চঙবগী চহী অসি হোংদোক্লবগী থৌরাং লোইখ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়া অমদসু থবক চঙবগী চহী অসি মতমগা চান্নবা মওংদা ওইহন্ননবা থবক পায়খৎনরক্লি।

মণিপুরদদি গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট সেক্তর অনীমক্তা থবক ফংদবা অসি অদুক্কী মতিক চাং ৱাংনা লৈ। লমদম অসিদা চৎনরিবা শেঞ্জা-থুমজাগী ফীভম অসিনসু অমুক্কা হেন্না নীংবা কায়না লৈরি। ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা ফাওবা মিং চন্দুনা রেজিষ্টর ফাওবা তৌদে। লৈঙাক্লসু থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা অন-ইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্সনচিংবা পীবগী থৌরাং থৌশিলসু লৈতে। ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জশিংদা থবক ফংদবা নহারোলশিংনা থবক্কীদমক রেজিষ্টর তৌরকখিবা কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী ফাওবদা ৮,১৬,৮৮৮নি। মসিগী মনুংদা নুপীনা ২,৪৫,৩০৫নি। অদুগা নুপানা ৫,৭১,৫৮৩নি। মণিপুরগী ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জনা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিং চপ চানা মশীং খঙদোকপা অমদি পায়খৎফম থোকপসু পায়খৎপা ঙমদ্রি। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক থবক চঙবগী লৈরিবা চহী অসি মতমগা চান্নবা মওংদা ওইহন্ননবা অথুবদা কেবিনেট দিসিজন অমা লৌদুনা থবক পায়খৎপীয়ু। হৌজিক লৈরিবা চহী অসি জেনরেলগী ওইনা ৩৮, ও বি সীগী ওইনা ৪১ অমসুং এস সী/এস টিগী ওইনা ৪৫নি। করিগুম্বা লৈঙাক্না চহী অসি হোংদোরকপা তারবদি চীং-তম অনীমক্তা লৈরিবা এস টি/এস সী/ও বি সী অমদি মীতৈ পাঙল য়াওনা পুম্নমক্তা হোংদোক্তুনা চহীগী ওইবা খুদোংচাবা খরমখৈদি পীফম থোকই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): শক্লাইরবা থাঙ-তাগী ওজা অমসুং থাঙ-তাবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা সাইখোম নোদিয়া মঙাংনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি এল কিশ্বর্জিৎনা লুচিংদুনা একাদেমী অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি এল কিশ্বর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৩২দা নাগামপাল মাইস্নাম লৈকায়, কংজাবী লৈরক ইম্ফালদা পোকখিবা সাইখোম নোদিয়া মঙাং ষ্টেট অসিগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা থাঙ-তাবু য়োকখৎনবা হোৎনরম্বদা নত্তনা আর্ট ফোর্ম অসিবু য়ুমথংনরিবা ষ্টেট অসামদসু প্রমোট তৌননবা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুর অমসুং অসামদা থাঙ-তাগী স্কুল কয়া লিংখৎলমখি। মহাক কংলৈপাক অসিদা লৈহৌরগদবা অরিবা শিন্দমশঙ অসুপ্পা (কংলা শা)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা থাঙ-তাগী ওজাসু ওইরম্মী। লোয়ননা মহাক্না লাংজৈ পুকোক-থেঙ্গৈ পুয়া হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ইরমখি। মহাক্না থাঙ-তা য়োকখৎননবা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০০৫ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসি থাঙ-তাগী শক্লাইরবা ওজা অমা মাঙজরে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা মপুগী লৈকোলদা লৈরুনবগীদমক মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমদি একাদেমী অসিগী ষ্টাফশিংনা থৌনিজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, থাঙ-তাগী শক্লাইরবা ওজা অমা ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী এৱার্দী সাইখোম নোদিয়া মঙাংনা লৈখিদবদা কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপ, হাওবম মরক ইরোম লৈকায় ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি কাঙলুপ অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। কোভিদকী এস ও পি ঙাক্না কাঙলুপ অসিগী দিরেক্টরনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কাঙলুপ অসিগী ওজা, মহৈরোয় অমসুং আর্টিষ্টশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা ওজাগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওজাগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজখি হায়না কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপকী সেক্রেটরি চিংথাম রঞ্জিৎ খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেনিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর এদ্যুকেসনল দিভেলপমেন্ট এন্দ রিসার্চ এসোসিএসন্না শীন্দুনা কষ্টমাইজ ক্রাস কোর্স প্রোগ্রাম ফোর কোভিদ ৱারিয়র হায়বা হীরমদা নুমীৎ ২১নিগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শীংজমৈ কোংবা রোদতা লৈবা মেদ্রা হেল্থ ক্যের সেন্টরদা পাঙথোকচরগনি হায়না মণিপুর এদ্যুকেসনল দিভেলপমেন্ট এন্দ রিসার্চ এসোসিএসনগী প্রোগ্রাম মেনেজর কে ঐচ মনোরামানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিল দিভেলপমেন্ট এন্দ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা নেসনল স্কিল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন এস দি সী)গা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবনি। পি এম কে ভি ৱাই ৩.০ ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা কোভিদ ৱারিয়রশিংদা খুদোংচাবা কয়াসু পীরগনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা য়াওগদবা কোভিদ ৱারিয়রশিংনা লমদম অসিদা কোভিদ লায়না লাইচৎ মুখথৎনবা হোৎনবদা অমদি নারবশিংদা মতেং চাউনা পাংবা ঙমগনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা য়াওনিংবশিংনা ওগষ্ট ২৯ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন পীশিনবীরকপা য়াগনি হায়রি।